# কলচরেল এক্সপ্রেসন অমসুং আর্ট ফেষ্টিবেল-২০২৫

- এস ইন্দ্রকুমার-



'মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি' - মণিপুর কলচরবু য়োকখৎপা অমসুং মাওশিল্লবা মণিপুরী কলচরগী মচাকশিং কন্নবগা হোৎনবদা শীংথানীংঙাই ওইনা মশক নাইবা থৌদাং লৌরম্বা কলচরেল এজেন্সী অমনি। এজেন্সী অসিনা লৌরম্বা থৌদাং অমদি পায়খৎলম্বা থবক থৌরমশিং শীংথানবগী লোইবা নাইরোই। নেশনল লেভেলদা লৈরিবা, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী কলচরেল এজেন্সী অহুম - সঙ্গিৎ নাটক একাদেমি, ললিৎ কলা একাদেমি অমদি সাহিত্য একাদেমি - অহুমসিগী অস্যুক্কা মশক অমনি 'মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি'। একাদেমি অসিনা চাং নাইনা পাঙথোকহল্লম্বা 'রিগুলর প্রোগ্রাম'শিংগী মনুংদা অমনি 'ওল মণিপুর ড্রামা ফেষ্টিবেল'। কোয়দি 'ওল মণিপুর ড্রামা ফেষ্টিবেল ফোর ক্রিএটিভ দাইরেক্টরস' হায়না মিং ওনখিবনি। মণিপুরগী থিএটরবু অৱাংবা থাক্তা ঈনখৎপদা 'ফেষ্টিবেল' অসিনা লৌখিবা থৌদাং-খঙখিবা খরদুনদি ঙসি ফাওবা কাউরল্লোই।

অদুবু, ঙসিদি একাদেমি অসি মিথুল হুপ্লি, হিংলি হায়বতং ঙায়রবা শিথরবা হকচাং অমগা পান্থক ওইরবরা? অচৌবা ৱাহং অমনি। ইজরিবা ৱারেংসি ৱাহংশিংসিগী পাউখুম থিবা নত্তে। ৱারেংসিগী পান্দম'না অমনি। হায়া রিগুলর ওইনা পাঙথোকল্লম্বা কক্কম্বা প্রোগ্রাম পাঙথোকল্লিবগে হায়বদুগী অকুপ্পা রিপোর্ট ৱারেংজরিবা ঐঙোন্দদি লৈতদ্রে। অদুবু, ড্রামা ফেষ্টিবেল অদুদি পাঙথোকখিদবা কুইরে হায়বসিমদি ঐ খঙই। হৌজিক্তি ফম তাপ্রবা চীফ মিনিষ্টর বিরেনগী মতমদা হৌদোকখিবা 'চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাঙ' হায়বা স্কিম অদু পাঙথোকপা হৌরকপদা, মোদি লৈঙাক্কী 'অজাদি কা অমৃত মহোৎসব' হায়বা থৌরমদুগী শরক অমা ওইনা মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট'না শীন্দুনা স্কিমদুগী মখাদা পুথোকলপা ড্রামাশিংগী ফেষ্টিবেল অমা পাঙথোকখিবদু নত্তনা এম এস কে এ নৎত্রগা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট' না শিনবা ড্রামা ফেষ্টিবেল উখিবরা কুইরে। অদুবু, লাংমৈদোং ড্রামাটিক য়ুনিয়ন, রুপমহল থিএটর অমসুং কংলৈ লিভিং আর্ট-অহুমসিনা শিনবা কম্পিটিটিভ ড্রামা ফেষ্টিবেল অমমমদি কুম কাংদনা উবা ফংলি। কোভিদ-১৯গী চৈথেং, ইকুই কুইদনা অমুক কুকি-মীতৈ অনীগী মরক্তা উংখৎনবই ইরাং! অনীসিনা মণিপুরগী ইকনোমি, সোশল ষ্ট্রকচর অমদি কলচরদা পীরকপা চৈথেং অঙকপনি। নুপী-অঙাং-অহল পুন্নমক খঙলবা ৱাদু অমুক নৈনরগুমসি। ফংথৎলকপা নত্তবা- হাহাই ফীভমদা অমুক হঞ্জিল্লকপা ৱারগনবা ফীভম অমদনি ঐখোয়না হৌজিক লৈরিবা। হিংবদি য়াদে, হিংবা তাই করিগুম্বা পান্থে অমা নৎত্রগা অমগী মতেং লৌদুনা। পোজিটিভ থিঙ্ক অমগী ৱাখলনি- 'মীওইবগী পূন্সিদা থোক্লিবা থৌদোক খুদিংমক হায়দগী হেন্না ফবা অমা পুরক্কবগীদমক্লি'। অসুম্না, পোজিটিভ ওইবা ৱাখল অমনা ঈশাবু থেমজিন্নবা হোৎনরই- থোক্লিবা থৌদোক অসিসু অফবা অমগীদমক্লি। অদুবু ৱাখল লাইথোয় তাবা ঙমদে। কুকি-মীতৈ অনীগী হেন্না ফবা, চেৎশিন্নবা মরী অমগীদমক 'কুকি-মীতৈ-লান থোক্লিবনি' হায়নদি পূক্লিংসিনা খনবা ঙমদে।

অসুম্না আশা য়াওদ্রবা, অমম্বা তাইবঙ অমদা লৈবগুল্লম্লবা খুন্নাইসিদা, তূকথরম্বদগী মতু-মমান খীল্লকপগুম্বা মতৌ অমা, কুমশিগী নাকেন্থা লোইখিদুনা য়েন্নীংথা চঙলকপসিদা উরকপগুম তৌরকই। নিঙোলশিংনা 'নিঙোল চাক্কৌবা পাঙথোকপীরনু' হায়রকপা, য়াওশঙ কুম্মৈ তোক্লবা, কুম্মৈ-ফিহোং পাঙথোক্লরকখিদবা, শুমাং লীলা লেপখিবা... মীতৈ খুন্নাইদা তাঙনা থোকপা, পাক উরোইদবা শক্তম অমনি।

লেঙ-ওৎপা তৌরুদ্রবা, পুমপঙ পঙথরুরবা হকচাং অমা লেঙলকপগুম্বা, অওনবা শক্তম অমনি - মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট'না শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা 'আর্ট ফেষ্টিবেল অমসুং কলচরেল এক্সপ্রেশন্স-২০২৫'। ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিবেলশিংগী মরক্তা খ্বাইদই চাউবা কলচরেল ফেষ্টিবেল। চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাঙ! রেজিষ্টর তৌরবা কলচরেল ওর্গনাইজেশনশিংদা শেলগী মতেং পীদুনা মানা-মানা তৌরিবা কলাগী থবক অদু মতিং থোক্লা, মচু তানা তৌহন্নবগী পান্দমদা শেমখিবা স্কিম অমনি - সী এম এ টি! স্কিম অসি হৌদোকখ্রবা মতুং- থিএটর গ্রুপ নৎত্রগা কলচরেল ওর্গনাইজেশন অমদা থাদখ্রিবা শেনফম অদু কাঙলোন চুন্না শীজিন্নখিবরা/শীজিন্নখিদবরা... ফংখ্রিবা শেনফম অদুগা পুথোরক্লিবা আর্টিষ্টিক প্রদক্সন অদুগা চানবরা/চানদবরা... অখন্নবা য়েংশিন্নবা টিম/ইন্সপেক্টর লৈতবনা শেনফম অদু কনাগুম্বনদি লান্না শীজিন্নরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈতবা নত্তে। থন্মোয় শেংনা, কনাগুম্বা ওর্গনাইজেশন/গ্রুপ খরনদি সী এমগী তেংবাঙনা পুথোকপা লীলা/ড্রামা/দান্স পর্ফোর্মেন্সশিংদু অখন্নবা চেবাউ কত্তুনা য়েংহল্লি। কনাগুম্বা খরনদি নুমিৎ অসুক অসুক্তা মফমসিদা উৎখরে হায়না পাউচে অমা অনীদা ফোঙলগা তেনশিনবসু য়াওই-ওফিসর খরনা পাউদম্লকখি। অসুম্না পুকচেল শেংদবা কাঙবু য়াওরে খঙবদুনা ওইরম্লি, হন্দক অখন্নবা সী এমগী শেন্থং ফংলবা কাঙলূপ খুদিংমক মাগী-মাগী প্রদক্সন খুদিংমক লৈবাক মাঙদা উৎথোকহন্নবা থৌরাং পায়খৎলক্লিবা।

শুমাং লীলা অমসুং জগোয় পর্ফোর্মেন্সশিংদি কৈদৌঙৈ/কদায়দা পাঙথোক্কদগে লাউথোরক্ত্রিবনা ৱরেংসিদা পাউদমজবা ঙমজদ্রে। থিএটর ওর্গনাইজেশন নিফুমাথোইগী থিএট্রিকেল পর্ফোর্মেন্স নিফুমাথোই উৎননবা মফম মতমদি লাউথোকখ্রে। ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা প্লে-হাউজ (পর্ফোর্মেন্স স্পেস) মঙাদা থিএটর প্লেশিং উৎকনি। মহারাজ চন্দ্রকির্তি ওদিটোরিয়মদা ড্রামা তরানিপান উৎকনি- এপ্রিল ১৬, হৌদোকপা নুমিত্তা অমগা মে ১৩দগী ২৯ ফাওবদা ড্রামা ১৭ অমগা। এপ্রিল ১৭তগী ২১ ফাওবা চঙাঙ্গৈ উচেক্কোন্দা লৈবা এন টি থিএটরগী 'হোঙনেমশঙ' দা ড্রামা মঙা। এপ্রিল ২২দগী ২৮ ফাওবনা য়াইস্কুলদা লৈবা মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়নগী ওদিটোরিয়মদা ড্রামা তরুক। এপ্রিল ৩০দগী মে ৬ ফাওবা ফেষ্টিবেল ভেন্যু 'রুপমহল থিএটর' গী ওদিটোরিয়মদা ওইগনি, ড্রামা তরুক উৎকনি। মে ৭তগী ১২ ফাওবনা লংথবাল কুঞ্জ'দা লৈবা কংলৈ-মাইম থিএটর-রিপর্টরি ওদিটোরিয়মদা ড্রামা তরুক। এপ্রিল ২৩ (খোংজোম দে), এপ্রিল ২৯ (ইন্টরনেশনল দান্স দে), মে ৩ (কুকি-মীতৈ কনফ্লিক্টকী মাস মীটিং)- নুমিৎশিং অসিদদি ড্রামা পর্ফোর্মেন্স লৈরোই। উৎকদৌরিবা ড্রামা ৪১ মক, ক্রিটিক্স ফোরম, মণিপুরগী মেম্বরশিংনা, ড্রামাশিংদু হেক লোইবগা পর্ফোর্মরশিং অমদি অয়েংবশিংগা লোয়ননা 'পোষ্ট-সো-টোক' (লীলাশিংদু নৈনবগী মীফম) পাঙথোক্কনি। লীলাশিংসিগী অয়েংমল লৌরোই। প্রোফিট-অর্নিং মোটিফ'তা পাঙথোকপা ফেষ্টিবেল নত্তে। আর্ট-প্রমোশনল ইভেন্ট অমনি। মরু ওইরিবদি - ইভেন্ট'সিদা পিপলস'-রেস্পোন্স করিনো হায়বদু য়েংবা অমসুং নৈনবনি। য়েংবা তারি-করম্বা মীদিয়া হাউজশিংনা করম্না কভরেজ তৌবগে? করম্না রিপোর্ট তৌবগে? হৌখ্রবা মতমগী এক্সপরিএন্স'তগী খঙনবা অচুম্বাঅমখক্তি - 'মণিপুরগী প্রিন্ট মীদিয়া-হাউজশিংদা আর্ট-ক্রিটিক ওইনা থবক তৌরিবশিং ফ্রী-লান্সর ঙাক্তনি, মশাগী ওইবা, লেঙদ্রবা এমপ্লোয়ী অমত্তা লৈতে'। মরম অসিনা, অসিগুম্বা মেগা কলচরেল ইভেন্ট অমা লাকপদা প্রোফেসনল জষ্টিফিকেশন য়াওনা ইবা ঙম্বা ক্রিটিকল রাইটর তাঙনা থোকই। ইভেন্ট'তুগী অচম্বা রিপোর্টিং, পাউ ওইনা তম্বদুনা অমনি।

চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাঙ - স্কিম অমদি তুংইন্নরকপা মেগা কলচরেল ফেষ্টিবেলসিগী খল্লুরগা চিংনবনা মাঙওইনবা ৱাখল অমা থম্মোয়সিদা ফাওরকই ...'আর্টিষ্টশিংদা চীফ মিনিষ্টরগী তেংবাঙ স্কিম অসি কয়াম কুইনা মখা চথখিগদগে... মথং চহীদসু মতেং অসি ফংখিগদ্রা... পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিবেলসিদা উৎলিবা পর্ফোর্মেন্স-ক্বালিটি অসি য়েংলগা গ্রুপ খরগী মিং ব্লেকলিষ্ট তৌদুনা লৌথোক্কদ্রা... অনৌবা চীফ মিনিষ্টর অমা লাকপদা হান্নগী সী এম'না পায়খৎলম্বা থৌরাং মখা চথরক্লোইদ্রা'... অসিনচিংবা। মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী শেন্থং মখাদা নেশনল স্কুল ওফ ড্রামাগী 'ভারত-রঙ্গ-মহোৎসব' হায়বা য়াদ্রবা, চহীগী রিগুলর প্রোগ্রাম অমা ওইহনবসিগুম, মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর'না চহীগী লেঙদ্রবা বডজেট অমা কায়থোল্লগা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগুম্বা এজেন্সী অমদা থৌদাং অসি শিন্নথোক্লগা পাঙথোকহনবা ওইরবদি হেন্না ফজবা ওইরমগনি। এম এস কে এগী মতম কুইনা রিগুলর ফিচর ওইরম্বা 'ওল মণিপুর ড্রামা ফেষ্টিবেল (ফোর ক্রিএটিভ দাইরেক্টরস)' মখা চথবা ঙম্লকখিদবা অদুনা হন্দক পাঙথোক্লিবা কলচরেল ফেষ্টিবেল অসি, ৱান-টাইম-ইভেন্ট অমা ওইদুনা তোক্কদ্রা... চিংনবা অসি থম্মোয়দগী তান্থোকপা ঙমদে। চহী তরামঙা মপূম ফানা লীংলবা গ্রুপশিংদনা লুপা লাখ অমা মখায়গী মতেং, শুদ্রিবা কাঙবুশিংদনা লুপা লাখ অমা! বাই দ মণিপুরী ষ্টেন্দর্দ-য়াল্লবা মতেং অমনি। শেন্থং অসি অনৌবা লীলা/প্রদক্সন অমা পুথোকপদা শীজিন্নবা নত্তবা, হান্নমা শেম শাদুনা লৈরবা প্রদক্সন অমা হেক্তা পুথোরকপা গ্রুপশিংসু য়াওদবা নত্তে হন্দক্কীসিদা।

অমবু ওইরে, অমবু ওইরে - আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট'না হন্দক পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসিমদি তশেংনা থাগৎনীংঙাইনি। মখা তানা, চাং নাইনা পাঙথোক্কদবা প্রোগ্রাম অমা ওইহন্নবা, মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ৱারেপ লৌবা ওইরসনু। ●

# ঐদি শান্তি লাক্লবোই নীংলুরে

- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -

অচুম্বদা ঙাঙবা খুরা চাউবা লৈকায় মীয়াম্নদি মৱা লৌবীদে, গান্ধীনা হায়বা ওইরম্মুদনা মীয়াম্না ঙসি ফাওবা শোন্নহৌনি... কোটেশন ওইনা অদুম শীজিন্ননি। নহান চৈরাওবা নুমিৎতো মশুনুপী লৈশাবীমচাশিংদুনা থাবল চোঙদৌরিনি হায়না কোইরাং লাংবদুদা খুরা চাউবনা - "ইশুশা নোইগী থাবল শিল্লিদুবো শান্তি লাক্লবরনে"। মশুনুপীনা করি হায়না খুন্নক্কে হায়বদা - পুপু শান্তিদি লাকখিরোইয়ে, মা লাক্ত্রুদি থাবল চোঙবা য়াদ্রবরা দৌধৌ। ঐনদি মতাং চানা শান্তিদু লাক্লগা নখোয় পেন্না চোঙহন্নীংবগী ৱানিদা দৌধৌনা হায়রিসিদি। মশুনুপীনা করি অমুক খুন্নক্কে হায়বদা - শান্তিদি দেল্লীদা লৈরে হায়রিদুদি - নঙনা খল্লম্মীদুসু অদুম য়াই। খুরা চাউবা নোকচৈ। মশুনুপীনা খল্লম্বনা মমাবোক্কী মচা শান্তিদো দেল্লীদা পি ঐচ দি তৌরি হায়দু ওইরবোই খল্লম্বজ ৎনি। খুরা চাউবনা খল্লুবনা মণিপুরদা শান্তি (ঈং-তপ্পা) লৈহনগে লৈহল্লোই হায়বসি দেল্লীদা ফম্লগা কোক চলাইরিবা মপা-মপু হাক্তক্তগী মণিপুর কৌবা লমসিতবু কল্লকচবা, চাউরবা ইন্দিয়া পুম্বা মখোয়গী দুকাননি খল্লবা, মখোয়গী অনীংবতা তৌরবা, হিন্দি ফিল্মদা ঐখোয়না তোয়না উখিবা সিনেমাদুগী ফত্তবা ভিল্লিএন শাবদুগী মতৌদু উরুরগা সিনেমা য়েংলিবশিংদুগী থম্মোয়দা হিরোগী মীচং চঙদুনা সিনেমাদুগী লাষ্ট সিনদা হিরোনা ঙম্বদু উরুবদা, ময়াম্না সিনেমা ফজৈ-ফজৈ শোন্নরগা থোরকপদু নীংশিংলি ঙসিসু। খুরা চাউবনা খল্লুবনা মশুনুপীনা হায়রকপা দেল্লীদা লৈরে হায়বদুদা মশুসি ওন্থোক্লা লৌশিং লৈ খল্লুরে।

জাতিগী ঈশৈ শকপদসু য়াওবীদবা লম অৱাং নোংপোক ইন্দিয়ানি। মমিৎ খুবা চাইনানা ওন্থোক্লা থীনা লাক্লবিখি অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াসি খুদুম চন্দুনা থমগে ফাওবা তৌরম্মী, ঐখোয়না তোয়না ৱারী ওইনা শোন্নরিবা, অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াসি তৎলি-তৎলি তৌবা অচেঙবা মঙক মচা অমদা য়াল্লগা লৈরিবা অশম্বীদা হায়রগা চিকন নেকপু থোল্লিবা। পীকত্রু পীকপা মঙক মচাদুদা খূৎপায় থীনা মীনা পায়খিদনবা হোৎনহৌসিকো হে কোক ৱাংবশিং। অঙ্ক হৈবা শারগা ফল তাবা ঙমদ্রগা, অপঙবা লৈবাক্লি খল্লগা, নৈখাইবীখিগে খল্লদি নৎত্রগা লোইহন্নীংবা পামদ্রবা লাল্লোংসিনা নখোয়গী শেঙ্গাওনি খল্লবরা ?? গাড়ী অমদা মীয়াম হাপ্লগা চীংগী লম্বী মচা অমদা থৌবা লুই ড্রাইভরনা মথোং হুক্তবা ড্রাইভর ওইরম্লদি ঐখোয় লোইনা লোকখাদ তাদৌরিবনি। হায়নীংবা অমা লৈ, ফনা হৈবা ড্রাইভর ওইরবসু চোঙথোকহৌবা হৈহৌদ্রবদি ড্রাইভর ওইরিবা মাসু অদুম শিমিন্নবা তাবনি পূন্না !!



থাবল চোঙবসি নাৎকী কলচরনি। চুম্মী নাৎ কনগদবনি। অদুবু নাৎ কলচর অসিবু তৌহৌগদৌরিবা ফূরুপ্তুনা মূৎখ্রবা নাৎতুসু অদুম মাঙখিনি। অদুনা ফূরুপ অদু হান্না কনবা মথৌ তাই। হন্দক্কী থাবলদো অতোপ্পা লমগী মীনা উখ্রগদি ঈং-তপ্পা লৈরবোই নীংখিনি খনবগী ৱানিদা। ঐখোয়না তমদা লাঙবা উহল্লগা অমসুং মণিপুরদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে উৎনবা লাল্লোং অমা চথরকপা ওইনা উইনে ইশুশা। হন্দক তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা চোঙখিবা থাবলদু নীংথিজনা পাঙথোক্লখি। চৈরাওবা নুমিৎকী নুমিদাংদা হরাও মথোই কাদুনা থাবল চোঙনখিবা অদুনা ঐখোয়না ঈং-তপ্পা লাকহনবীয়ু হায়রসু ঈং-তপ্পা লাকপদুনা ঙল্লি নৎত্রা নখোয় থাবল চোঙবদো হায়না উহল্লি কয়াদা ফজখ্রবা অঙ্কনো। মখল কয়াগী খুচোঙ উরুবদা সোশল মীদিয়া পায়বা মালেমগী মীয়াম্না ইঙক ঙক্লখি, মণিপুরদা ঈং-তপ্পা লাক্লমানে।

চীংথক্তগী য়েংথরকপদা তম্পাক্তা হরাও মথোই কাদুনা অৱাবা মচেৎ উদনা, পেন্থোকপদু উরুবদা, খাঙবা য়াবা খাঙদুনা মপুনা হায়বা ইনবা মরম্মোকপা তাখিনে মখোয়দি। মীতৈদা থীনা শাউজরিবা মখোয়দি মরম্মোকপা কাঙলূপনি খঞ্জখিদো মপুনা। তশেংবদি মখোয় অমনা অমদা মতেং পাংনবা মাল্লি। মখোয় মশেল নীংথিজনা পাউ ফাওনৈ। অরানবা কয়া তৌরবসু মখোয়গীদি মখোয়বু লুনা তৌবীরিবা মপু মানা ঙাক্লৌনি। সি অমুক তৌ, মদু অমুক তৌবা য়ারোই অমদা অমুক হায়জিন অমদা অমুক হায়জিন। লোইহন্নীংবা নাইদ্রবা ঈরাং অসিগী লাল্লক্তা মরল-মথুম হেন্না লেপশিনবসু য়াওরবনি নৈরক্লেনে ঙসিদি। কায়থোরকখিবা শেনফমশিং কনানবু হিসাব হোৎকনি। মায়কৈ মরিগী চৎননবা লম্বী পুন্নমক থিংদুনা মীতৈবু অৱাবা তাহন্দুনা নখোয়গী চৎনবা লম্বীসে লৈত্রবদি য়ানবা অমা পুরকউ লম্বী অমা পীহনসে, হায়হনগে খনবা থৌইনশিনবু মাল্লক্লি !!! ●

# হোটেল শিরোইগী চিগোংলৈ লৈনম

- কোংখাম রাথো -


মোইরাংথেম বরকন্যাগী উপন্যাস 'চিগোংলৈ লৈনম' হায়বসিদা য়েক্তুনা উৎলিবসি হৌজিক্কী খুন্নাইদা মচু শংলিবা পূন্সিগী শক্লোনশিংনি হায়বা য়াই। ইম্ফাল সহরগী অমোৎপা মরক্তা মকে শেম্না ঙান্থোইরিবা হোটেল শিরোইনা থম্মোয় শোক্লা, মীশক অমগুম পাউদম্লকপা ৱারী লিশাংনি। অইবীগী হান্ননা মমাঙদা ফোঙখ্রবা উপন্যাস অনী - লৈকংলা (২০০৬) অমদি নাকেন্থাগী য়েন্নিং (২০১১) হায়বসিদা ময়েক শেংনা উৎখ্রবা মণিপুরগী লালহৌবশিংগী মশক্তু মখা শমথনা অদুম্মক মাগী অকোনবগী উপন্যাস অসিদসু উবা ফংই। লৈবাক নীংলিবা য়াওল্লোইশিংগী মরক্তা অশেংবা অমদি শাশিন্নবা কয়াশিংদু অইবীনা উৎনবা হোৎনৈ। মণিপুরগী নোভেল খরা - পাচা মীতৈগী 'না তাথীবা অহল অমা' অমদি 'ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম', হিজম গুণগী 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোদ', বি এম মাইস্নাম্বগী 'কংলা ডাইরি', কে কুল্লধজগী 'য়ুখল' নচিংবদা উখিবা ইম্ফাল সহরবু মোৎহল্লিবা পথ-পুমথরবা, হামচৎনরবা থৱায়শিংগী পূন্সি কয়া য়েক্লখিবশিংদুগা খরা থৈরপ চৎনা অইবীনা তোঙানবা মশক অমা শেম্লকই। লৈখল মান্নরবসু লৈচু খেন্নবদুনি। অইবীনা হোটেল শিরোইবু মশামক্কী থৱায়না চোঙশিন্দুনা, অহিংবা মীশক অমগুম চরিত্র অমা ওইনা শেমগৎলকই। সেকমাইগী নুঙ-লৈঙোইনা ঙসিদি নুঙ ওন্দুনা ফজবা হোটেল শিরোই ওন্থোকখ্রে। নুঙ ওল্লবা হোটেলদা অইবীগী থম্মোয়, পূক্লিং-ৱাখল পূন্নমক হাপচিন্দুনা অহিংবা মী শেম্লকই। উপন্যাস অসিদা অইবী মশামক্কী থম্মোয় পাউদম ময়েক শেংনা তাকই। হোটেল শিরোইদা লাক্লিবশিং মখল মথেলগী মীওইবশিংনি। লালহৌবা নমথরিবা মথোং হুক্তবা পুলিস, মতৈ-মনাওশিংগী মরক্তা হিকোম-হিকোল্লবা থম্মোয়গী মরীশিং, ওক্ত-শাজৎ পাল্লিবা নুপা-নুপীশিংগী শক্তম, লৈবাক নীংলিবা য়াওল্লোইশিংগী মরক্তা মরন্নাইগী শেন্দাল লম্বী থিনরিবশিং, নুপী অমদি ড্রগ লল্লোল্লিবশিংনা ঐচ আই ভিগী মহিকপু খুন্নাইদা খুদোল পীরিবশিংবু অইবীনা পেন্দনা, হোটেল শিরোইদা শিন্নদুনা ফোঙহল্লি। নোভেল ময়ামদগী তোপ্পা শাগৎলিবা মরক্তা হেন্নমুক ঙক্লিবদি মমিং লৈরবা অইবা খরগী শৈরেংশিং খোমজিন্দুনা মতাং চানা-চানা মাগী তোঙান তোঙানবা পন্দুপশিংদা থেন্দুনা পুথোরকপসিনি। করম্বনা কনাগীনো খঙদ্রবসু অইবশিংদুদি অইবীগী ৱারোলদা পীরল্লি - য়ুম্লেম্বম ইবোমচা, থাংজম ইবোপিশক, রঞ্জিৎ দল্লিয়ু, কে হেমচন্দ্র, আর কে ভুবনস্না, দিলিপ ময়েংবম, কোন্সম কুল্লধজ, নামৈরাকপম সনাতোম্বা অমসুং অইবী মশামক।

অনৌবা চাংয়েংদা, অনৌবা মহাউ অমনি মসিসু। ইনাক খুনবা মীওইশিংনা মপান্থোংগী পূন্সিবু অরং-অরাক্কী মচু শংলকপদা লায়রবশিংখক্তদনি মরিং-মরাংবগী মচু তৈহৌরিবদি। মালেম খুন্নাইসিদা অইবীনা হেন্না ৱাজরিবসি নৈহৎপীরবা থৱায় নৎত্রগা মপোকশিংদুখক্লি। নুপী অঙাংবু ওৎপী-নৈবীরিবসি খুন্নাইদুখক্লা নত্তে। মাগী-মাগী ইমুংগী নুপাশিংনসু হেন্না চৈথেং পীরি হায়বদু উপন্যাস অসিদগী খঙবা ঙম্মী। শেলদা ঙাওনরিবা মতমসিগী মী মানবশিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী পোৎলম অমদি নুপীশিংবু লল্লোন্নরকপগী চৎনবী অমা ময়েক শেংনা উৎনবা হোৎনরি। লালহৌলূপ মশীং থিঙমদনা লৈরিবা লমদমসিদা থেংনরিবা অৱা চৈথেংলক্তা অৱাবা মায়োক্লরিবা মোবীগী পূন্সিসু মশক থোক্লা পুথোক্লি। মতম খরদং শম্নরুবনা কোইচেন চেন্দুনা মীরোংকী মতৌগুম লেন্দুনা হিংলি। মহাক্লা নুংশিনজরিবা থাজসু, মপাগা তিন্নজবা মরুপ অমগী মচানুপাগা হায়ন-শিংনরক্তুনা অৱাবা মৈচাক মৈপুনরকই। মচা নিঙোলবু য়াইফ-নুংঙাইবা ইমুংদা থাজ-য়োঞ্জবা হায়বসি মমা-মপাগী অপাম্বনি। মখোয়গী অপাম্বনা থাজগী নুংশিববু মায়থীবা পীবদি ঙমখিদে। মোবীনা মীরোৎকুম হিংখিবদা মহাক্লা ৱাজৎকবদু থাজগী মায়হিংগা চাংদম্নবা য়াই। অমরোমদা মোবীসু ৱানা হৌরকই। মদোমচাগী য়ুমদা থমদুনা লাইরিক তমহল্লকখিবনি। মচে ইবেমপীশকসু ফত্তবা মপুরোইবা ইঞ্জিনিয়রদুনা অতোপ্পা নুপীদা ঙাওদুনা লৈখ্রবনিনা মাগী পূন্সি হরাও-নুংঙাইফমদি খঙদ্রিবনি। নুপীগী মপোক্লা ৱাজবসি হায়ন-তান্না য়াদবা মৌপ্পা, মচানুপা নৎত্রগা ফত্তবা মপুরোইবগী থৌওংনা ওইরিদ্রা খল্লকই। খুন্নাইসিদা নুপীবু নুপাখক্তনা ৱাহনবা, ওৎ-নৈবদি ওইরমদে হায়বসিসু তপ্না-তপ্না খঙনরক্লে। ইবেমপীশককী অৱাবা শেন্বদা মাগী নুপাখক্লা ওইরমদে। মতু-মচা লৈরবনি খঙনা-খঙনা অয়েৎ-অপন পীরিবা য়ুয়োনবী নুপীদুগীসু চাউনা মরাল লৈরিবনি। নুপা কায়নখ্রে হায়দুনা অতোপ্পা নুপাশিংদা অমুক চোই-চাং ওন্দুনা নুপা থিবদি অফবা নত্তে। ইবেমপীশক্কী মপুরোইববুসু হুন্দোকপীরমদুনা অতোপ্পা নুপা অমা য়েংদুনা চৎখ্রবীনি। মপুরোইববু ইঞ্জিনিয়রিং লোইহন্নবা হোৎনবদা ইবেমপীশক্লা মতিক-মপা চাদবা থবক কয়া শুরকখি। ৱাখল অনেম্বীনি খল্লুবা মহাক্লা, মকোক্তা চেক-নুঙ থোন্দুনা অৱাংবা বিল্ডিংগী মতোল লোম্না কাদুনা মপুরোইববু অৱাংবা মীশক অমা ওইহল্লকখিবীনি।

অইবী বরকন্যাগী নোভেলসিদা উৎলিবা থৌদোক ৱাথোক কয়াগী হৌরকফমদি মীওইবা হায়বা কাঙলূপসিনা অচুম্বা নাথৈদুনা হিংনরকপদগীনি। মীত্রংগী নুংঙাইবা পাম্নরকপদগীনি হায়বসিনি। কালেন্থাগী অপুম-অশানা য়োল্লিবা ইম্ফাল সহরগী অৱাবদি নোংজুথাগী মতমসিদসু অদুমক উবা ফংই। কুম্বী-কালেন নাইদনা ইম্ফাল সহরদি অদুম্মক পৎ-পুল্লে, নমথী-হানৈবা হায়বদু ওইরি। সহরসিগী নালাশিংদি শেঞ্জাও পায়বশিংনা লম খোপচিন্নখিদুনা য়াম্না খুজিন-পীকশিল্লে। নোংজুথাদা লুখাক-চগুম, অমাংবা কয়া য়াওনা মনীং তম্না ঈচাউগী মরেপ তান্নরি। ইম্ফাল সহরগী অমোৎপা মরকসিদা শেঞ্জাও পায়বশিংনা মশাগী অমোৎপা লমচৎ কুপশিন্দুনা অরংবা ফিজোল শেত্তুনা নাপল কানরি। নুংঙাইবা থিরি। মপাল্লমদা মণিপুরী চনুশিংবু য়োল্লুবা, হল্লকপদনা অতাঙবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক পুরক্তুনা শেল তাল্লিবা জনাবউদ্দিনগীসু হোটেল শিরোইদা নুমিৎ তাখি নোংমা। মহাকপু পুলিসনা ফাদুনা পুখিবদা অইবীনা মথ্বায় হাপ্তুনা শায়োলহল্লিবা হোটেল শিরোইনা পেন্না পাউদমজরকই - "মহাকপু ফাদুনা পুখিবদু পূক্লিংদা নুংঙাইতবা করিসু ফাওদে। হেন্নদুম নে-না তারবগুম ফাওই। মহাক মফমসিদা অমুক হন্না লাক্ত্রসনু। মানা তৌরিবা থবকশিংদু খল্লুবদা য়াম্না ৱাই, শ্বর ফুল্লি। করি করিগুম্বা মতমদা ইখূৎসিনা থাঙ পায়দুনা মহাকপু হাৎনীংবা ফাওই। মহাক্লা শিরবা মতমদা মহাক শোয়দনা দুজক্তা তাগনি। মানা লাক্লবীখিবা মীওই কয়ানা মহাকপু হিংনা-হিংনা মৈ থাগনি, মহাক মী ওইনা পোকপদা মীওইবা কাঙলূপকী মরায় চায়থগদবা মীশক্লি। মহাক্কী অরোইবা মতম অদো ঙসিসিনা ওইরসনু।" খাঙবা ঙমদ্রবা নুংগী থম্মোয়নি হোটেল শিরোই। হোটেলদি মীথুংশঙনি। শেল পায়দবা মখোয়গীদি নত্তে মফমদু। থাঙ্গাল কৈথেলগী উফুল ৱাইফুল, নমথীবা নালাগী মনম, অকোইবদা পৈশিল্লিবা অপুম অশাগী মনমনা লাঙ্গোয় চল্লবী হোটেল শিরোইনি।

অইবীনা অপাবা ঐখোয়দা ৱাখল য়াম্না খলহল্লি। কোকসু লৈখায়রকপগুম ফাওরকই। মীশক-মীওই য়াম্বতা নত্তনা ৱারী-থৌদোকসু তোখায়-তোখায়রকই। অপাবা মীশক্তুনা তপ্না ৱাখল তৌদুনা পাদ্রবদি পাক হেক্তা লায়না নোভেল অসি মশক লেপ্পা ঙমগনি থাজদে। পাচা মৈতৈগী কোক লৈখৎপা নোভেলশিংদুগী মচৎ নৎত্রগা মশক্তা মান্নরবসু খূৎইদদি খেন্নৈ। পাচানা শৈরেংগী মচু শঙনা ইদবদু বরকন্যানদি শৈরেংদা হৈনজরকপগী অপাবদা শৈরেংগী লৈনমদু ফাওহনবা ঙম্বতনি। তশেংনসু বরকন্যানা পাচাগী নোভেলদা ঙাওজরকপনা অসিগুম্বা খূৎইসিদা লান্থোরকপসু ওইরমগনি। মণিপুরদা লৈরিবা পুলিসশিংগী হৈনবী-মচৎশিংবু খুন্নাইসিদা কি, হঙ্গোয়বা, তুক্কচবা ফাওনবদুগী মশকসু নীংথিনা উৎলে। অদুবু অইবীনদি থানিল কৌবা পুলিস নহা, পাখঙ অমা য়াওহন্দুনা মরু ওইবা, অচুম্বা পামজবা, মরুপকীদমক কথোক্লবা শক্লোন অমদা শেমগৎলকই। মহাক্কী মরুপ মোবীগীদমক ৱাজৈ। মোবী মরাইবক থীরবা, পু-পাং শুদ্রবা অঙাং ওইনা হৌরকখি। মচে ইবেমপীশকনা মদোমচাগী য়ুমদা থমদুনা মোবীবু লাইরিক তমহল্লকখি। লমচৎ-শাজৎ ফনা হৌজরকপনি। লাইরিক ফরকই। লালহৌলূপ অমগা শম্নরুবনা অৱাবা মায়োক্লরকই। মহাক্লা নুংশিনজবী থাজগা মরক খরা উনখিদে, কদাইদা লৈবনো খঙদনা পাউ ফাওনখিদে। থাজগী মমা-মপানসু মচাগী হোংলক্লিবা অঙাও শক্লোনশিং উরকপদগী নমদুনা লুহোংবগী থবক্তু তোকথোকখি। থানিলগী মতেংদগী মোবী অমদি থাজগা থেংনহনখি। নোভেলসিদা পুমচাই চাইনা, তোঙান তোঙানবা ৱারী-থৌদোক শন্দোক্লম্বদু অরোইবদা হৈ-শিংনা তাশিন-খোমজিন্দুনা পন্থুং অমা শেম্লকই। নোভেলগী মীংথোল ওইরিবা চিগোংলৈগী ৱারীদি তন্দলগুম ঙাইহাক্তনি কুফেৎ কাফেৎনরিবা। কমদৌনা মরু ওইনা মীংথোল পুরিবনো হায়বদুদি অপাবতনা ৱাখল খল্লগা খঙলকপা হায়বদুনি।

হোটেল শিরোইদা অইবীনা মথ্বায় হাপ্তুনা অইবীগী ৱাখলনা লাই তোংহনবনি। হোটেল শিরোইগী অৱাবা থম্মোয়গী মৈচাক খঙবীবা মরুপ অনীখক হায়বা তারবদি, মাগী মমাঙ সড়ককী মনীং থংবা য়েনখাদা তনৌ-তনৌ থিনগৎলক্লিবা চিগোংলৈ পাম্বী অসিগতনি। চহী য়াঙ্খে/হুম্ফুরোম শুরক্লবা হোটেল শিরোইনা য়েংনীংদবা শক্তমশিং উদৌ শরুক সনা মচুগী তঙৈংবী চিগোংলৈ উরগা পেন্থোকচৈ। অকোইবগী নমথীবা অপুম-অশাগী মনমদগী চিগোংলৈ লৈনম্না ঙাকপী-কনবীদুনা লাকপগুম খঞ্জে। মীওইবনা মোৎহনবীরবা শক্তম, নমথীবা মখোয়গী মনমশিংদগী নান্থোকপা ঙমদ্রবা হোটেল শিরোইনা পামজরিবা, ঙাওজরিবসি চিগোংলৈনি। লৈনমদুনি। মীওইবগী লমচৎনা চিগোংলৈগী সনা মচুগুম লংলবা, মাগী ৱাহৈদা নুংশিবা লৈনম চেলহনবদুমক অইবীগীদি পামজবা অমনি। অইবীগী পূক্লিং-ৱাখলগী অথুপ্পশিংবু হোটেল শিরোইদা তেংথোক্লা হায়দোকহল্লি। মীওইবগী শক্তম, খুন্নাইগী মশক্তি মপান্থোংদা লুহন-নালহনবতনি অদুগা মনুংগী পূক্লিং-ৱাখলদি অপুম-অশাগুম নমথীরে হায়বা তাক্লিবা নোভেলসি অইবীগীদি চাংয়েং অমনি। খূৎইসু ময়ামদগী তোপ্পা উরে। মসিমক সাহিত্যগী লমদদি মপূং ফাবা, মীওইবদা মহাউ অমা পীরে হায়বা য়াই। ●




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।